# ইম্ফাল ইষ্ট সুব্রোতো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট

## য়ুনিক মোদেল একাদেমী অমদি ওরিয়েন্টেল ইংলিস স্কুল য়ু-১৪গী ফাইনেলদা থোংনরগনি



ইম্ফাল, জুলাই ১৫ঃ
খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিস ইম্ফাল ইষ্টনা শীন দুনা চথরকপা অন্দর-১৪ অমসুং ১৭ বোইজ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সুব্রোতো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি কেতেগোরি অনীমক্কী সেমি ফাইনেল মেটচশিং লোইশিনখিবগা লোয়ননা অন দর-১৪ গী ওইনা য়ুনিক মোদেল একাদেমী অমসুং ওরিয়েনটেল ইংলিস স্কুল অনীনা থা অসিগী ১৭কী নুংথিল পুং ১.৩০ দা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

অদুগা অন্দর-১৭গী ওইনা ব্রাইট কেরিয়র হায়স্কুল অমসুং সিঐচ ইবোয়াইমা হায়স্কুল না চপ মান্নবা নুমিৎকী নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি অয়ুক শান্নখিবা অন্দর-১৪ কেতেগোরিগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা য়ুনিক মোদেল একাদেমীনা সিঐচ ইবোয়াইমা হায়স্কুলবু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখিবনি।

য়ুনিক একাদেমীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু কেঐচ সনামচা অমসুং ঐচ কিরননা শান্নবগী ৮ অমসুং ৩৫শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা কেতেগোরি অসিগী ঙসি অয়ুক শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা ওরিয়েন্টেল ইংলিস স্কুলনা গুদ ৱিল সি হায়স্কুলবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাকপগী গোলশিং অদু সনাথোই অমসুং রোবিনসননা চনবা ঙমখি। অদুগা গুদ ৱিলগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা রাজ না চনবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি নুংথিল শান্নখিবা অন্দর -১৭ কেতেগোরিদা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা সিঐচ ইবোয়াইমা হায়স্কুলনা এফ্রোস হায়র সেকেন্দরী স্কুলবু গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখি।

ইবোয়াইমা হায়স্কুলগী য়াম্না মরুওইবা গোল অদু মারৱিননা শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা কেতেগোরি অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ব্রাইট কেরিয়র হায়স্কুলনা গুদ ৱিল সি হায়স্কুলবু গোল ৭-০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাকপগী গোলশিং অদু নাওচানা ৩, পোইরৈতোননা ২, কম্মন্দর অমসুং প্রিয়ানন্দনা অমমম চনখি।

# ষ্টেট সব-জুনিয়র টিম ওকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৫ঃ ওরিষাগী কটককী থা অসিগী ১দগী ১২ ফাওবা পাঙথোকখিবা সব-জুনিয়র গার্লস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ্তা ৱিন্নর ওইখ্রবা ষ্টেটকী সব-জুনিয়র ফুটবোল টিম ঙসি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন দুনা মপাল কাংজেবুংদা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী শঙলেনদা ওকখ্রে। ওকপগী থৌরম অদুদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরী য়াওনা য়াম্লবা এসোসিয়েসন অসিগী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।। নিংশিংবা য়াবদি ষ্টেট টিম অসিগী কেপ্টেন্না টি ঐচ মার্টিনানা ওইখি অদুগা কোচনা এল সিবানন্দ অমসুং মেনেজরনা সিঐচ কৈলানিনা ওইখিবনি।

# নেরোকা এফসিগী ২০১৮-১৯গী প্লেয়রশিংগী কিট

## য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৫ঃ
নেরোকা ফুটবোল ক্লবনা শীন দুনা ক্লব অসিগী ২০১৮-১৯গী শান্নগদবা শান্নরোইশিংগী কিটশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি চিং মৈরোংদা লৈবা ক্লাসিক গ্রান্দেগী ইম্পারিয়েল কনফরেন্স হোলদা অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হান্নগী নেরোকা এফসিগী প্রসিদেন্ট ডাঃ ধবলি, নেরোকা এফসিগী সেক্রেটরী ডাঃ মানিমোহোন, ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট অরুন, এদভাইজর ব্রজমনি অমসুং রোবিন্দ্রোনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ডাঃ ধবলিনা ফোঙদোকখিবদা নেরোকা এফসিগী মমাংগী সিজনদা হিরো আই লীগতা অনীশুবা পোজিসন তাখিবা অদু হন্দক্কী সিজন অসিদদি মকোক্তা লৈনবা অখন্নবা ফোরেন কোচ নেক্তুনা ফিজিকেল ত্রেনিংগী, গেম প্লানিং অমসুং অতোপ্পা টেক্নিকেলগী ওইবা লমশিংদা হেন্না খুমাং চাওশিন্নবা কন্না হোৎনরি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ক্লব অসিগী য়াম্না মরুওইবা প্রক্টিস তৌবগী মতাং দা ফিল্ড লৈতবগী প্রোব্লেমশিং অদু থা অনি অসিগী মনুংদা ক্লব অসিগী ওইবা মশাগী ফিল্ড অমা লৈরগনি। হৌজিক হৌজক লোইতাংদা লৈবা প্লে গ্রাউন্দ অমা কন্না শেম-শাগৎপগী থবকশিং পায়খৎলি।

নেরোকা এফসিগী নৌনা খল্লবা ফোরেন কোচ মেন্যুয়েল রেতামেরো ফ্রাইয়েলনা ফোঙদোকখিবদা লমদম অসিগী মীওইশিংনা ফুটবোল মশান্না অসিবু হেন্না পামজবা অসি য়েং লগা ক্লব অসিগী শান্নরোইশিংবু হেন্না খুমাং চাওশিন্নবগী থবক কয়া পায়খৎকনি।

মহাক্না ক্লব অসিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট ডাঃ ধবলিদা মহাক্না হান্না লৈরম্বা ক্লবতুগী ফুরিৎ অমসু খুদোল তৌখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ডাঃ মাণিমোহোননা ফোঙদোকখিবদা হন্দক্কী নেরোকাগী টিম অসিগী প্লেয়র অয়াম্বনা অন্দর-২২ গী প্লেয়রশিংনি।

সেনিয়র প্লেয়রদি মশিং ৬।৭ খক্তনি।

টিম অসিদা ফোরেন প্লেয়র অহুম অমদি অসামগী প্লেয়র অমা য়াওরি। মখা তানা ক্লব অসিগী ওইনা থা অসিগী অরোইবা অমদি ওগষ্ট থাগী অহৌবা ফাওবদা হিরো আই লীগকী গাইদ লাইনগী মতুং ইন্না ফোরেন প্লেয়র অহুম লৌনবগী থৌদাং লৈরি।

# রঞ্জিতা ব্রিক্স গেমসকী ওফিসিয়েল ওইনা খল্লক্লে



ইম্ফাল, জুলাই ১৫ঃ
সাউথ আফ্রিকা গী জোহন্সবর্গ তা থা অসিগী ১৭তগী ২২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ব্রিক্স গেমসতা মেটচ ওফিসিয়েল ওইনবগীদমক ষ্টেট অসিগী রেফরি তেকচম রঞ্জিতা দেবী খল্লক্লে।

মহাক্কী খোঙচৎ অসিগী লৈফম, চাফম, চৎথোক-চৎশিনগী ভার পুন্নমক ওভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া তৌগনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা খঙহল্লক্লি।

# ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

## মহারাবী এফসি অমসুং কেএলএসসি খাবম দ্রো চংখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৫ঃ
ব্রাইটর ক্লব অৱাং পোৎশঙবম খুল্লেননা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দা চথরিবা ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল ১১ মেন্স ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ-সিগী লীগ মেটচ অমদা মহারাবী এফসি অমদি কেএলএসসি খাবম গোল ২-২ দা দ্রো ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা টিম -২০ না গ্রুপ-মরি থোক্তুনা শরুক য়ারি।

ঙসি শান্নখিবা মহারাবীগী কৃষ্ণমোহোননা শান্নবগী ২৩শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখ্রবা মতুং ইকান-কান্নদনা মৈরাবনা শান্নবগী ২৬শুবা মিনটতা ইক্যুলাইজ গোল চনখিবগা লোয়ননা ১-১ দা অহানবা হাল্ফ দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবদা রনবিরনা শান্নবগী ৩৬শুবা মিনটতা মহারাবীগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা খাবমগী চিঙ্খেনা শান্নবগী ৪২শুবা মিনটতা ইক্যুলাইজ গোল চনখিবগা লোয়ননা মখা তাবা টিম অনীনা গোল চান্নবা ঙমদবদগী ২-২ দা দ্রো ওইখি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা শান্নরোই ২ মহারাবীগী নোংথোন অমসুং খাবমগী কিরন য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

অতোপ্পা গ্রুপ-এ গী ঙসি শান্নগনি তৌরম্বা লীগ মেটচ অমদা কেএফসি কোন্থৌজম অমদি কেবিএসয়ু কংলাতোম্বী অনীনা মতম চন্না রিপোর্ট তৌরদবদগী শান্নখিদ্রে।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ-দিগী লীগ মেটচ অমদা ৱাইদিসি পোৎশঙবম খুনৌ অমসুং লিসবোন লুৱাংশঙবম শান্নগনি। অদুগা গ্রুপ-সিগী মেটচ অমদা এনৱাইসি নিলাকুথি অমসুং কেকেজিপি কাইরং লম্বা তৌনরগনি।

# নোর্থ ইষ্ট থাং-তা ফেষ্টিভেল হৌদোকখ্রে



ফোঙদোকখিবদা থাং-তা অসি লায়ওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংনা য়োকখৎপীরম্লবা তাংলবা শা-লানগী মৈহে অমনি।

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ঃ
মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা হুয়েল লাংলোন থাং-তা এসোসিয়েসন মণিপুরনা শীন দুনা য়ুম্নাম হুইদ্রোমদা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী শঙলেনদা নুমিৎ হুমনি চখগদবা নোর্থ ইষ্ট থাং-তা ফেষ্টিভেল ঙসি হৌদোকখ্রে।

ফেষ্টিভেল অসিদা থাং-তাগী লুপ কয়াদগী লাকপা শান্নরোইশিং অমদি শিনতাকপা অমসুং শিনতাকপুরেনশিংনা শরুক য়ারি।

হৌদোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা য়ুম্নাম অমুবা মচানা হৌজিক্কী মীরোলনা মশানা অসিবু য়োকখৎতুনা অমদি কুপ্না নৈনদুনা কলচর, মৈহে-মশিং, টুরিজম অমদি স্পোর্টসকী লমশিংদা হেন্না চাওখৎনবা মতম অদু ওইরে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা হুয়েল লাংলোন থাং-তা এসোসিয়েসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ঐচ প্রেমকুমার সিংহ না থৌরম মপু, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট থাং-তা এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ প্রিয়োকুমার সিংহ অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট থাং-তা এসোসিয়েসন ককচিং খুনৌগী সেক্রেটরী এস টিকেন সিংহ না অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

# অনীশুবা ওদিআইদা ইংলেন্দনা ইন্দিয়াবু রন ৮৬ তা মায়থিবা পীখ্রে



লন্দন, জুলাই ১৫ঃ
ইংলেন্দ দা ইন্দিয়ানা তুর তৌদুনা লন্দন দা লৈবা লোর্দস ষ্টেদিয়মদা অনীশুবা ওদিআইদা ইংলেন্দনা ইন্দিয়াবু রন ৮৬ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা ইংলেন্দনা তোচ ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং খনখি।

অহানবা বেট্টিং তৌখিবা ইংলেন্দনা ওভর ৫০ দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ৩২২ লৌদুনা ইন্দিয়াবু য়াম্না লাকচবা মওংদা রন ৮৬ তা মায়থিবা পীখিবনি।

ইংলেন্দগী রনশিং অদু জেসন রোইনা বোল ৪২ দা ফোর ৪ অমদি সিক্স ১ য়ৈরগা রন ৪০, জোনি বাইর্ষ্টোনা বোল ৩১ দা ফোর ৫ অমদি সিক্স ১ য়ৈরগা রন ৩৮, জোই রুটনা বোল ১১৬ তা ফোর ৮ অমদি সিক্স ১ য়ৈরগা রন ১১৩, ইওন মোর্গান (কেপ্টেন) না বোল ৫১ দা ফোর ৪ অমদি সিক্স ১ য়ৈরগা রন ৫৩, বেন ষ্টোকসনা বোল ৮ দা রন ৫, জোস বট্‌লর (ৱিকেট কিপর) না বোল ৭তা রন ৪, মোইন আলিনা বোল ১৬ তা ফোর ১ য়ৈরগা রন ১৩ অমদি দেভিদ ৱিল্লিনা বোল ৩১ ফোর ৫ অমদি সিক্স ১ য়ৈরগা রন ৫০ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা ইন্দিয়াগী বোল্লর উমেস য়াদব না ওভর ১০ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৬৩, সিদ্দর্থ কৌলনা ওভর ৮ দা রন ৫৯, হার্দিক পান্দিয়ানা ওভর ১০ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৭০, য়ুজভেন্দ্র চহলনা ওভর ১০ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৪৩, কুলদিপ য়াদবনা ওভর ১০ দা ৱিকেট ৩ লৌরগা রন ৬৮ অমদি সুরেস রাইনানা ওভর ২ দা রন ১৮ পীখি।

অনীশুবা ইন্নিংস তৌখিবা ইন্দিয়ানা ওভর ৫০ দা ৱিকেট ১০মক তুরগা রন ২৩৬ খক্তমক লৌদুনা ইংলেন্দগী মখুৎতা মায়থিবা নঙখিবনি।

ইন্দিয়াগী রনশিং অদু রোহিট শর্ম্মা না বোল ২৬ তা ফোর ২ য়ৈরগা রন ১৫, সিখর ধৱাননা বোল ৩০ দা ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৩৬, ভিরত কোহলি (কেপ্টেন) না বোল ৫৬ তা ফোর ২ লৌরগা রন ৫৬, লোকেস রহুলনা বোল ২দা রন ০, সুরেস রাইনানা বোল ৬৩ তা ফোর ১ য়ৈরগা রন ৪৬, এমএস ধোনি (ৱিকেট কিপর) না বোল ৫৯ দা ফোর ২ য়ৈরগা রন ৩৭, হার্দিক পান্দিয়ানা বোল ২২ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ২১, উমেস য়াদবনা বোল ২ দা রন ০, কুলদিপ য়াদবনা বোল ২৬তা রন ৮, সিদ্দর্থ কৌলনা বোল ২ দা রন ১ অমদি য়ুভেন্দ্র চহলনা বোল ১২ ফোর ২ য়ৈরগা রন ১২ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা ইংলেন্দগী বোল্লর মার্ক ৱুদনা ওভর ৫ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৩১, দেবিদ ৱিল্লিনা ওভর ১০ দা ৱিকেট ২ লৌরগা রন ৪৮, লিয়াম প্লুনকেটনা ওভর ১০ দা ৱিকেট ৪ লৌরগা রন ৪৬, বেন ষ্টোকস্না ওভর ৫দা রন ৪৯, মোইন আলিনা ওভর ১০ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৪২ অমদি অদিল রসিদনা ওভর ১০ দা ৱিকেট ২ লৌরগা রন ৩৮ পীখি।







Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com